# নাপল কারবা ক্বাক কাংঙাগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ঙসিদগী চহী ৬০ রোমগী মমাঙদা লৱার প্রাইমারি স্কুলদা তম্লিনৈঙদা থেবা-থেঙ্গু লমজেল তান্নবগী ৱারী অমসুং মসিগী পাউতাক য়াওবা পাড়াশিং তম্লকখি। মতম অদুদা পাড়া অদু কনানা ইবনো হায়বা খঙলকখিদে। পাড়া অদু 'এসোপ' কৌবা মীনাই অমসুং ৱারী লীবা হৈবা গ্রিস মচা অমনা লীরম্বা ৱারীদগী মহাক্লা লৈখিদবা চহী ৩০০ রোমগী মতুংদা খোমজিনবা ঙাক্তনি। মহাক্কী ৱারী খুদিংমক নুংগী ৱাহন্থোক লৈবা পাউতাক্কা লোয়ননা অঙাংশিংনা তানীংবা পোকপা, মখোয়দা য়াম্না কান্নবা ৱাফমশিং য়াওবশিংনি। 'এসোপ ফেবল' কৌবা মহাক্কী ৱারীশিং ইথোল্লুগা ফোঙদুনা কৈথেলদা য়োনবা লাইরিকশিংদা য়াওবা ৱারী খরা পল্লবদা নিংথৌ ওইবা পাম্বা হঙোইশিং, হঙোই অমসুং নুমিৎ, সনাগী য়েরূম কোকপা কাংঙা, সহরগী উচি অমসুং খুঙ্গংগী উচি অমসুং নহা ওইবা নুপা অমসুং শেন্থ্রাংনচিংবনি। 'এসোপ ফেবল' গুম্বা হিন্দুশিংগীসু পাঞ্চানতন্ত্র অমসুং বৌধা ধর্ম্ম চৎপশিংগীসু জাতাকাগী ৱারীশিং (জাতাকা কথা) সু শা-উচেকশিংদা পাল্লগা পাউতাক্কা লোয়ননা ইবা ৱারীশিংনি।

খৃষ্ট পোক্কদবা কুমজা ৬২০ অমসুং ৫৬৪ ৱাৎলিনৈঙদা লৈরম্বা এসোপনা ইরম্বা ৱারীশিং অসি ইংলিস লোন্দা ৱিল্লিয়ম কাক্সতোন্না কুমজা ১৪৮৫দা ফোঙখি। ২০শুবা সেঞ্চুরিদনা বেন - ইপেররীনা ফোঙখি। মতৌ অসুম্না পাউতাক্কা লোয়ননা মমল য়াম্লবা ফুঙ্গা ৱারীশিং কাঙলূপ-ফুরুপ খুদিংগী লৈ। মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদা পেবেট, তাপ্তা, হনুবা হনুবী পান থাবনচিংবা ফুঙ্গা ৱারী কয়া ঐখোয়না অঙাং ওইরিনৈঙদা ঐখোয়গী অহল লমন্দগী তাখি। চাইনা, থাইলেন্দ, ম্যান্মার অমসুং অসামনচিংবগী ফুঙ্গা ৱারী কয়ামুক তাবদা পাউতাক কয়ামরুম অমদি ঐখোয়না তমজনীংঙাই ওইবা ৱারম কয়া য়াওরি।

থায়নগী হিন্দুগী লাইরিকশিংদা য়াম্না নাপল তৌবা মীগী লুখাক্লচিংবা শা-ঙা য়াম্না চাদুনা মপাঙ্গল কল্লবা ক্বাক অমনা মঙোন্দগী হেন্না মপাঙ্গল কল্লবা কাংঙা অমদা শাংনা পাইবদা লমজেল তান্নসি হায়দুনা করেম্নদুনা উশিৎতবা উত্তুনা শিংনরবদা মপুন্সি লোমগে তৌরম্বদগী কাংঙা অদুনা মহাকপু কনবীখিবগী পাউতাক্লা থল্লবা ৱারী অমা ঐখোয়না চহী ৫০০০ রোমগী মমাঙদা ইরম্বা লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী।

মীনুংশি খঙবা নুপা অমা মচা ময়াম অমগা লোয়ননা সমুদ্র মপান অমদা লৈরম্মী। মখোয়গী থবক্তি লল্লোন ইতিক তৌবনি। মখোয় লাইরিক লাইশুদি হৈতে, লৌশিং য়াম্না শিংবসু নত্তে। মখোয়গী ময়ূম ময়াদা ক্বাক অমা মখোয়গী য়ূমগী ইঙ্খোলদা হৌবা উ পাম্বী অমদা মহুম শাদুনা লৈ। ক্বাক অদু মখোয়গী লুখাক ময়াম চাদুনা লৈ। অদুগী মথক্তা য়ূম্বুশিং অদুনা মঙোন্দা শা-ঙা য়াওবা এঞ্জাং খক্তা নত্তনা দহি শঙ্গোম, ক্ষীরনচিংবা অথুম-অহাওশিংসু য়াম্না পীজরম্মী। মরম অসিনা ক্বাক অদু য়াম্না নোয় পেল্লদুনা মমান্নবা ক্বাক অতৈশিং অদু উশিত্তবা খক্তা নত্তনা মঙোন্দগী হেনবা উচেক মখল অতৈ অতৈবুসু থৌওই উশিত্তবা অসুম হৌরকখি।

নোংমদি কাংঙা খরা সমুদ্র মপান্দা পাইরকখি। মতম অদুদা




ক্বাক অদুনা কাংঙাশিং অদুগী মনাক্তা চংশিন্দুনা য়াম্না য়াঙনা পায়বা ঙল্লবা উচেকশিং অদুগী মনুংদা কনানা খ্বাইদগী হেনবগে হায়বা অদু খঙনীংলকখি। মখোয়গী মরক্তগী খ্বাইদগী য়াঙনা পায়বা ঙম্বা কাংঙা অমা কৌথোক্লগা - "কাংঙা নঙ থোরকউ, ঐখোয় অনী পাইবা তান্নসি" হায়না শিংনরম্মী। কাংঙাশিং অদুনা মহাক্লা হায়রিবা ৱা অদু তাবদা ফাক-ফাক নোক্লম্মী। মখোয়না হায়খি, "ক্বাক ঐখোয় অসি মানস সরোবরদা লৈবা ঙাক্তনি। মালেম অসিগী মফম পূম্নমক্তা য়ৌনীং-য়ৌনীংবা মফমদা পাইদুনা লৈবনি। হে কল্লক কঞ্জাওবা ক্বাক নোংমদোলদা পাইরিবশিংগী মনুংদা ঐখোয়দি সম্মান মীংচৎ ফংদুনা লৈরিবনি। নঙনা ক্বাক অমা ওইরগা পাইবা তান্নসি হায়দুনা মসা অমুক অমুক খপ্পদা থাপ্না থাপ্না য়ৌনা পাইবা ঙম্বা মসা অনী মচু পূম্বা পুমলং লংলবা কাংঙা অসিদা করিগী শিংনরুরি?" অদুগা ক্বাক নহাক্লা করম্না কাংঙা ঐখোয়গা পাইমিন্নগদৌরিবনো? মদুদা নাপল চাউরবা ক্বাক অদুনা হায়রকখি, "কাংঙাশা, পাইবগী মহৈ ঐ লোইনা খঙই। মথকলোমদা পাইখৎপা হায়বা অসি মখল চাম্মগা অমা শুবনি, মখল খুদিংমক ঐ লোইনা খঙই, ঐ লোইনা শীজিন্নবা ঙম্মী। খোঙচৎ অমুক্তা য়ুথক চাম্মগী লম পাইবা ঙম্মী।" মদুদগী মহাক্লা পায়বগী মওংশিং অদু মথং মথং হায়বা হৌরকখি। মহাক্লা হায়খবশিং অদুগী মনুংদা খুদম খরদি মথকলোমদা পাইখৎনবা মসা অনী অদু মখারোমদা খপথবা, মখারোমদা পাইথনবা মসা অনী অদু হাইগৎপা, মাঙলোমদা পাইশিন্নবা মসা অনী অদু তুংলোমদা খপতোকপা, চুমদ্রিং পাইননবগী মসা অনী অদু করম্বা ফীভমদা থমগনি হায়বগী মওং, মথকলোমদা খংৱাং ৱাংখৎনা পাইনবগী খোঙ হোৎপা, তপ্না পাইনবগী মসা খপ্পগী মওং, কোয়রৈ লৈনা পাইথরকপগী নুংশিৎপু হোনবগী কাঙলোনচিংবশিং অসি নত্তবদা জগোয় শা-শাদুনা পাইনবা কাঙলোন ৭৪ অমগা লৈরি হায়বা অসিনি।

মদুদা ক্বাক অদুনা মখা তাখি, "কাংঙাশা হায়রিবা পাইবগী মওং অসিদা চৎন-কাঙলোন কায়দনা নখোয়গী নমাংদা পাইবিগে, মতম অদুদা ঐ অসি কয়া য়াম্না কনবা, হৈবগে হায়বা অদু নমিৎ থিৎনা উবা ফংগনি।" ঐগা পাইমিন্নবা কাংঙা মরক্তগী অমা চোংথোরকউ হায়রকখি। মহাক্লা করম্বা খুৎপাইদা পাইয়ু হায়বগে হায়না মখোয়দা মখৌ পোংনা হায়রগা শেম শাদুনা লৈখি। মদুদা কাংঙাশিং অদুগী মরক্তগী অমনা হায়রকখি, "ক্বাক চুম্মী নঙনা পাইবগী মখল ১০১ অদুগী মনুংদগী অমদা হেক্তা নহাক পাইগদৌরি। ঐখোয় কাংঙাশিংনা খঙজবদি পাইবগী মওং অমখক্তনি। ঐনা খঙজবা মওং অমা অদুদা ঐহাক পাইজগে, ক্বাক নঙনা হায়রিবা মওংশিং অদুগী মনুংদগী নঙনা খরা হৈনবা অমা হেক্তা পাইয়ু, ঐ ইল্লগে। মতম অদুদা ক্বাক অদুগী মমান্নবশিং মথং মথং পাইরক্তুনা মফম অদুদা থুংলরে। ক্বাক ময়াম অদুনা কাংঙাশিং অদুদা নোক নোক্তুনা 'মতৌ করম্না মসা মখপ অমত্তা মহৈবা, মপাই মওং অমখক্তং খঙবা কাংঙাশিং অসিনা পাইবগী কাঙলোন মসা মখপ চাম্মা পাইবা ঙম্বা ক্বাক্কা করম্না লম্বা তৌনগদৌরিবনো?

ক্বাকশিং অদুনা অসুম্না হায়রকখি, "ঐখোয় ক্বাক্কী মপাই খোঙচৎ মখল ১০১গী মনুংদা অমতনসু কাংঙা অসিবু শোয়দনা খুদুম চনবা ঙমগনি।" মসিগী মতুংদা ক্বাক্কা কাংঙাগা অনী অসি শিংনদুনা পাইখৎখ্রে।

কাংঙানা মসাশিং অদু খপ খপ্তুনা অমুক অমুক পাইরকপা অদুগী শরুক চাম্মা চাম্মা হেন্না ক্বাকনা মাঙ থা থাদুনা পাইরক্লে। কাংঙা অদুদি মহাক্লা ঙক্তা শক্তি অমদি মসা মখপ অদু মওং ইকায় কায়দনা তুমিন তুমিন্না অদুম পাইরি। ক্বাক অদুনা মাগী তৌবা ঙম্বা উত্তুনা মসা চোকথগনি হায়বা খন্দনা মওং মওংদা পাইদুনা কাংঙাদুগী মাঙ থাদুনা মসিনা মপায় অদু কৌই, মসিনা অদুনি হায়দুনা মচিন্দা চবেং চবেং লোন্দুনা নপল তৌনা পাইরি। ক্বাক্কী তৌবা ঙম্বা অমদি খুপাই মওং পুথোক্তুনা কাংঙাগী মাঙ থাদুনা পাইরকপা অদুদা ক্বাক ময়াম্না 'ভালো-ভালো', 'ফজৈ-ফজৈ' হায়না লাউনরকখি। কাংঙা অদুদি মহাক্কী মহৌশাগী তাইবঙ মপুনা পীরকপা খুৎপাই (পাইবগী মওং) অদু ইহোং হোংদনা চাং কায়দনা অদুম তুমিন-তুমিন্না পাইরি।



অহানবদদি কাংঙা অদু ক্বাক্তগী শোৎথহৌরে। মদু উবদা ক্বাকশিং অদুনা করেম্নরম্মী। ক্বাকশিং অদুনা লক্করকপা অদু তাবদা কাংঙা অদু পাক চাউবা সমুদ্রগী ঈপাক মথক্তা পাইরক্লে। মতম অদুদা কাংঙা অদুগী মমাঙ থাগে হায়দুনা ক্বাক অদুনা য়াম্না কন্না মসা খপ্তুনা সমুদ্র মথক্তা অসুম পাইরকপদা কুইনা পাইরকপগী চোকথরক্তুনা পোত্থানিংদুনা চীং-মান, উজাও-ৱাজাও অসুম ওন্না-ওন্না য়েংলকপদা ঈশিংগী ঈশিংমক্তা ঙাইখ্রে। পোত্থাফম লৈরক্ত্রে, চোকথবনা মসা অনী অদু খপ্পা ঙমদ্রে, তৌফম খঙদ্রে, ৱাখলসু মাঙখ্রে, কিবনা মসা থক-থক নিকলে। সমুদ্র মথক্তা পাইবা ঙম্বা ঙমদবগুম ক্বাক অদুনা অসুম্না ৱাখল তৌরকই, "ঐ হৌজিক কদায়দা পাইশিগে, অসুক পাকপা ঈপাক অসিদি কদায়দগী লানবা ঙমগদগে। ঈশিং মনুং অসি অকিবগী মশক ওইরবা ঈশিংদা লৈবা জিব মক্তনসু পীক থন্না লৈরি। সমুদ্র অসিদি অকাসতগী হেন্না পাকখ্রেদা।"

পুকচেল চাউরবা কাংঙা অদুনা ক্বাক অদু য়াম্না চোকথবা উরদুনা থৌজাল লৈবগী হৌনবা ওইনা অসুম্না হায়রকই, "ক্বাক নঙনা ঐঙোন্দা নুংশিত্তা পাইবগী মওং কয়া হায়খ্রে, অদুবু ঐঙোন্দা হৌজিক নঙনা পায়রিবা মপাই নহাক্কী মসা অনী অদু সমুদ্রগী ঈশিংদা শোকনীং-শোকমাই তৌদুনা নচিন অদুনা ঈশিংদা চক চক থিন্দুনা নুংশা থবেৎ-থবেৎ হোন্দুনা পাইরিবা মপাই অসিদি করম্বা করি খূৎপাই কৌবগে? নঙনা তাকপীখিবা অদুদা য়াওদেনা, নঙনা হৌজিক পাইরিবা অসিবু করি কৌবগে? মদুদা ক্বাক অদুনা হায়রকখি, "পুকচেল চাউরবা কাংঙা ঐগী লাইবক্লা ঐবু ক্বাক ওইনা পোক্লুরে, ঐবু তোর্ব্বান য়ৌহনবীয়ু অসি হায়দুনা ক্বাক অদুনা কুইনা পাইরকপগী করিসু কান্নদবদা মপাই ময়াম অমা উৎলুবদগী মসা অদু চোকথখিবদগী মহাক্কী মসা অনী অদুগা মচিন অদুগা ঈশিংনা ইচোৎ চোৎতুনা সমুদ্রগী ইয়াইদা তারক্লে। মহাক্লা কাংঙা অদুদা কনবীনবা হন্না-হন্না হায়জখি। মদুদা কাংঙা অদুনা মহাক্কী মতৌ য়েংলগা ঈশিংদগী লৌখৎপীখি। ●

# মালেমগী লৈমায়দা লৈবা য়েলহৌমী কয়াগী সংসারগী ওইবা নুমিৎকা মরী লৈননা শল্লপ্পা ৱাহৈ খরদং

- বি অঙৌসনা শর্ম্মা -

ৱাহৌদোক :-

মালেমগী লৈমায়দা হান্না খুন্দা লৈতারকপা মীওই কাঙলূপকী ওইবা, য়েলহৌমীগী মরমদা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৮২গী ওগষ্ট ৯দা য়ু এনগী থৌ পুরিবা কাঙলূপকী মরক্তা খন্নবা হৌরকখি। মসিনা মরম ওইদুনা য়ু এনগী কুমজা ১৯৯৪গী দিসেম্বর ২৩দা খন্নবা ৱারেপ ৪৯/২১৪না ওগষ্ট ৯, ১৯৯৪দগী য়েলহৌমীগী ওইবা নুমিৎ অসি লেপ্নখি। অদুতসু নত্তনা চহী ১০-১০গী ওইবা চাংচৎকী ওইবা থৌরমসু হাপচিন্দুনা খন্নখি। খুদম ওইনা হায়রবদা কুমজা ১৯৯৫দগীনা ২০০৫, ২০০৫-২০১৫গী অনীশুবা তাঙ্কক অসিবু "দিকেদ ফোরা এক্সন এন্দ দিগ্নিটি" হায়না খঙনখি।

১) শল্লপ্পা হায়রবদা মালেমগী লৈমায়দা য়েলহৌমী ৩৭০ x ১০,০০,০০০ = মিল্লিয়ন ৩৭০ হেন্না লৈ হায়রিবসি মালেমগী অপূনবা মীশিংদগী চাদা ৫নি; মালেমগী খ্বাইদগী লায়রবা মীশিংগীনা য়েলহৌমীনা চাদা ১৫নি। মালেমগী খ্বাইদগী মশক খঙনরিবা লোলশিংদা মখোয়গী লোল য়াওরি; খ্বাইদগী ফজবা চৎনরোল লিশীং ৫গী মনুং চনবা চৎনরোল য়াওরি।

২) য়েলহৌমীশিং অসি মপা-মপু লৈবা; তোঙান্না শক তাকপা চৎনরোল লৈবা, মহৌশাগা য়াম্না নক্লনা লৈবা মীওইশিংনি। হায়রিবা মীওইবা কাঙলূপশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা খুন্নাই, চৎনরোল, শেন্মীৎলোন, পোলিটিক্সকী ওইবা মহৌশাগী চৎনরোল ওইজরবসু অৱাংবা থাক্তা লৈবা কাঙলূপকী মীওইশিংনি। হায়রিবা চৎনরোল অসিদগীদি হন্থবা লৈতে। মখোয়গী তোঙানবা শক্লোন-শক্তম লৈজরবসু শকখঙলবা খুন্নাইগী মীওই কাঙলূপশিংগী ওইবা কন্না মায়োক্লরিবা লাঞ্জং কয়াদদি চপ চানা শরুক য়ারিবা কাঙলূপশিংনি।

৩) য়েলহৌমীশিং অসিগী শক্তাক-শকখঙচে লৈগনি; মখোয়গী তোঙান তোঙানবা হৌরকফম, লম লৈজৈ; ঙমখৈ লৈ; মহৌশাগী পোখোক লৈজৈ; অদুম ওইনমক মখোয়গী পুৱারীশিং অদুবু তত্তনা খোঙ্গাওননবা হোৎনদুনা লৈরে। ঙসিদি য়েলহৌমীশিং অসি য়াম্না হন্থরবগুম্না, খুদোংচাবা কয়াবু ফংবা ঙমদনা, মপাঙ্গল য়াওদ্রবা মালেমগী মীওই কাঙলূপ অমা ওইনা লৈবগুম উরে। মালেমগী মীওই খুদিংমক্লা মীওইশিং অসিবু কন্নবা অকনবা খোঙজং অমা চঙশিন্নবা খন্নবা হৌরক্লে; মরমদি য়েলহৌমীশিং অসিগী ফীভম ফৎচিল্লক্ত্রে।

৪) মরম অসিদগীনি য়ু এনগী মীওইশিংনা, মরম অসিগী থবক পুরিবা মীওইশিংনা, কূপ্না খন্নরবদা জেনেবাদা লৈবা লোইশঙদা ওগষ্ট ৯, ১৯৮২গী লেপ্নবা ৱারেপ লমজিং মতুংইন্না ওগষ্ট ৯, ১৯৯৪দগী থৌরম অসি হায়বদি 'ইন্টরনেসনল দে ফোর দ ইন্দিজিনস পিপল' হায়না পাঙথোকপা হৌখি।

৫) অসুম্না ঙসিসু ওগষ্ট ৯, ২০১৯ ইং, অসিবু য়ু এনগী মকোক লোইশঙদা থৌরম অসি অয়ূক্কী পুং ১০দগী হৌরগা নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৫ ফাওবা পাঙথোকখি।

৬) ওগষ্ট ৯, ২০১৯গী মরুওইবা ৱাফমদি 'য়েলহৌমীশিংগী মশাগী ফংফম থোকপা চাকথুং' হায়না লাউথোক্লিবগী মরমদি, কুমজা ২০১৯ অসি মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী লোলশিংগী ওইবা চহীনি। অসুম্না খঙহঞ্জবা তাই।

৭) মতৌ অসুম্না মৈতৈ/মীতৈলোলবু মতম শাংনা সেদ্যুল্ডদা চন্দুনা লৈরগসু মপূং ফাবা, মশক তাকপা ঙমদ্রিবা অসি কূপ্না খন্নদ্রবা ৱাফমনি।

৮) অমরোমদা, য়েলহৌমী ওইজরবসু, য়েলহৌমী নত্তবগুম্বা শক্তম-শকফম মায়ওন তাকপা ঙমহন্দ্রিবা অসিদা মৈতৈ/মীতৈনা তুমিন্না লৈথোকপা চুম্লোই। মরমদি সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা কাঙলূপ কয়ানসু, লৈঙাক্কী ওইবা পোলিটিক্সকী কাঙলূপ কয়ানসু; লৈঙাক য়াওবা নৎত্রগা য়াওদবা পোলিটিক্সকী কাঙলূপ কয়ানসু; মৈতৈ নত্তবা খুন্দা লৈতামিন্নরিবা য়েলহৌমী কয়ানা শকখঙলবা মীওই কাঙলূপ কয়ানসু খূৎশম্ননা মতেং পাংফম থোকই। মরমদি, খুন্দা-লৈতামিন্নরক্লবা হায়বসে পোকমিন্নবা মচিন মনাওগুম্বনি। পোকমীন্নবা, মমা-মপা, শাগৈ নাতৈ মান্নদবা তোঙান্না লাকপনি হায়বা উৎফম থোক্তে।

৯) ঙসি এস টি দি সী এমনসু মালেমগী লৈমায়দা খুন্দারিবা অদুগুম্বা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌমীশিংগী ওইবা অমত্তা ওইবা নুমিৎ অদু পাঙথোকচগনি। ময়াম্না খোঙজং অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নসি।

ৱারোইশিন :-

অরোইবদা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা পূনবা গভর্ণমেন্ট অমা ওইরিবা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টশিংদা পুনেমজরি, মদুদি এসেমব্লিদা পূনবিরিবা লুচিংবা খুদিংমক্লা অমত্তা ওইবা লিচিংদা পুবিরক্তুনা মৈতৈ/মীতৈবু য়েলহৌমীগী থাক্তা হঞ্জিনহন্নবা খন্নবীদুনা সী এ বি (সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল) অমসুং এন আর সী (নেসনল রেজিষ্ট্রেসন ফোর সিটিজন্স) বু পুরকপদা, থবক ওইনা পাঙথোকপদা অপনবা ওইদনবা খোঙজং অমা খন্নবীয়ু। হায়বদি মৈতৈ/মীতৈবু এস টি ষ্টেটসতা হাপচিলহল্লবা, হঞ্জিনহল্লবা মতুংদা সী এ বি অমসুং এন আর সী পুরক্লবা হায়জবনি। মতমবু খোঙ্গাউনবীগনু। ঙসিগী ওইবা অদোমগী মতম চাবা মতেং অদো হয়েংগী মৈহৌরোলনা শোন্নহৌগদবনি। ●

IIBIT

Indian Institute of Banking and Information Technology

A leading Private Bank is looking for Executives under Permanent Post.

· **CAS Executive** - Qualification Graduate with age below 28 years.
· **Phone Banking Officer** - Qualification Graduate with age below 32 years.
· **Branch Relationship Executive** - H.S passed students can also apply.

Preference will be given to the candidates who can speak the local language. For details search facebook page - Indian Institute of Banking and Information Technology.

**Salary - 10,000 - 27,000/-**




Required Office F.C (Financial Consultant) from Ukhrul, Chandel, Senapati, Tamenglong etc.
Salary - 25k + Incentive
Office Address : Khuyathong, Opposite Senapati Parking.
FB. Page : Indian Institute of Banking and Information Technology, Manipur.
Contact No. : 8729894704, 8729895297

HL-B/5582/30/7-29/8

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১। মণিপুরী পুৱারীদা কালি তৈখিবা অমতংগা হায়বা তারবদি মহারাজ সুরচন্দ্রগী মচাইবেম্মা সনাতোম্বীনা বর সাহেবতা ওংশিনখিবা অসিনি। অদুবু মাতদি নত্তে, কর্নেল সাহেবনসু কাংঙবম চনু অমা লৌখি। মখোয়বু মাংই হায়দুনা খুন্নাইনা ইন্থোকখিবনি।

(ক) সনাতোম্বীগী মমা ইবেম্মা কৈয়ুম নিংঙোলনো?

(খ) কাংঙবম চনু অদুগী মমিংনা করি কৌই?

২। "প্রেম্না লিংবা জগৎনিদো/পুবনিদো প্রেম্না/পুনবনিদো প্রেম্না/তেংবাল হিংবনিদো প্রেম্না।" পরেংশিংসি কবি মীনকেতন্না হায়রম্বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "ইশাগী পুন্সিগী শরুক চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরাদি চেনা ফাক্তোক্তুনা উৎচরে। শরুক তরারোম অসিদি লোৎশিন্দুনা থমজরগে।" কবি কনানো হায়রিবসি?

৪। "মাগী মাগী নুপীনা/হায়বা ইনবা নুপাশিং/ওইরম্বা য়াই তাত্তৌবা/লোন্না নুপী কোয়বা য়ানবা।" ৱাফমসিনা 'চিল্লো পামজনা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগীনি। অইবী অদু কনানো?

৫। "তাইবঙ কৈথেল কারকপদা/পুন্সি লল্লোনবা লাকপদা/শেন্দোং তানগে খল্লুবা/শেল্লেপ মাঙদুনা হন্দৌরে।" ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।